# আর্টিষ্ট হায়বসিদি কথোকপা অমা চংই ঃ নতাসা

সুর মৈতৈ

ঙাইহাক্কী পামজখল্লা আর্টতা খোঙদাবদি আর্ট অদুগী ব্রাহহ্নোক লৈরোই, আর্ট হায়বসিদি পীথোরকপা অমদি কথোকপা অমা য়াওদবা য়াদে। থকসি-খাসি হায়বসিসু য়াম্না তঙাই ফদে হায়না মতমসিগী তাংলবা শৈশকপশিংগী মনুংদা অমা ওইরবা নতাসা দেবীনা ফোংদোরক্লি। আর্ট হায়বসিদি মীওইবগা থানবা য়াদ্রবা অমনি হায়না মখা তানা পাউ-চে



অসিদা পাউদম্লকখি।

নতাসা থাংমৈবন্দ লৌরুংপুরেল লৈকাইদা লৈবা শমুরাইলাৎপম নবা শর্ম্মা মীয়াম্না নবা ভোলকেনো হায়না খংনবা শৈশকপা অমদি শমুরাইলাৎপম ওংবী পুর্নিমা অনিগী মচা নিঙোল অমনি, অমদি মচা নুপা অমা পুন্না অহুম পোকপগী মনুংদা ইং ১৯৮১গী অগষ্টকী তাং ১৯ য়ুমশাকৈশ নুমিত্তা অহান্বা মমোল্লোই ওইনা ফংখিবনি। ইং ২০১৪গী মার্চগী তাং ১৫ দা কাংঙাবম লৈকাইদা লৈবা কাংঙাবম মোস্কোগা য়ুন্বাল পুন্সিদা খোঙদামিন্নরবা মতুং থা অহুম শুরবা নেদ্রিক কৌবা মচা পীপা অমা ফংবা ঙমজখ্রে। নতাসাগী অপোকপা মপা লমদম অসিগী শৈশকপা মীয়াম্না নবা ভোলকেনো হায়রগা খংনবা মীশক অদু ওইবনা মপাগী তুং ইনবা পামজবদগী অমদি পোকপদগী ঈশৈগী তালদা লুপচখিবনা ওজা নাইদুনা ঈশৈগী লমদা খোংদাবা হৌরকখি। তানশিঞ্জরুবা মহৈনা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙমজরকখিবী নতাসানা পাউ-চে অসিগা উনবদা ফোংদোক্লকখিবা পাউদম খরা...

সুরঃ কমদৌরি, নুঙাইরিকো? অঙাংসিদি চহি ফারব্রা?


নতাসাঃ উম নুঙাইজরি। দা সুরনা ঐগীদা লাকপীবসে য়াম্না হরাও নুঙাইবা অমা ফাওই। অঙাংদি থা অহুম মপুং ফারে। তুম্বা থেন্বদা অব্রাবা অমা ওই। তৌরিসিনি তম্পাকসিদা।

সুরঃ ফন্নাবু নুংশিরি মতৌসে। অদুদি ব্রারিসে....

নতাঃ য়ানি অদুম হংবীবা।

সুরঃ অহান্বদা খংনিংলিবসি নতাসানা মতৌ করম্না ঈশৈগী লমসিদা চংলকখিবনো? পুন্সিগী অহান্বা মীয়ামদা লাম্হোকখিবা ঈশৈশি করম্বনো, কনানা শৈরাংবনো হায়বসিনি?

নতাঃ ঐবু পোকপা পাবুংসি ঈশৈগী লমদা মীয়াম্না শকখংবা আর্টিষ্ট অমনি, বাবানা য়ুমদা ঈশৈ ওরাইবা কয়াদগী ঐসু ঈশৈ পাল্লকখি। অমরোমদা মসি 'ঈ'দা য়াওরকপা অমসু ওইগনি হায়জনিংই। ঐনা পামজবা মতৌ উবদগী বাবানা ওরাইরিবা ঈশৈ ঐনা ঙংবা মতৌবু খংবদগী ঐনা ক্লাস সেভেন কারকপা মতমদা ঈশৈগী লমদা ওজা নাইনা ক্লাসিকেল ওইবা ওজা ইন্দুগী লমজিং মখাদা ফর্ষ্ট ইয়ার অমদি ওজা অসেম বীমোলা, ওজা কাকচীং নবা অমদি ঐবু পোকপা পাবুংগী লমজিং মখাদা নিপুংগী ওইবা মহৈগী থাক ফাওবা তানসিন্বা ঙমজদুনা পুন্সিগী অহান্বা ওইনা পাবুংনা শৈরেংবা অফম্পা ১৯৫৮ য়ুম্ফম ওইদুনা অপোকপগী লমজিং মখাদা " মৈতৈ চনু, চীংগী চনু.. ভরতকী থব্রায় ওইরি, পাম্বোমসু ওইরি, ঈজৎসু ওইরি মালেমগী মাংদা, ভরতকীদমক্তা..." হায়বা ঈশৈ অমা পাবুংগা পুন্না ষ্টেজ পার্ফোমেন্স পীখি। ঐগী ঈশৈশিংসি অনম্বদা লৈবাক্কী ব্রাথোক্কা মরি লৈনবদা ওইরি।



সুরঃ হৌজিকফাওবদা পুন্না ঈশৈ কয়ামুক্তি মীয়ামদা লাম্হোকখ্রবগে?

নতাঃ লোক্তুনা থল্লিবা ব্রাহং, খোংবীজাও-খঙবীজাও, য়ারে য়ারেনচিংবা ফিল্মগী ওইনা ঈশৈ মঙাগী মথক্তা, এলবম ওইনা মীওইবা ঐখোয় অমর নত্তে, পুনিতসগী থাদোকপীগনু অমদি অমদানা পুথোকপা ঈমা ওইবী কয়ানা হায়বনচিংবা ঈশৈ মঙা পুন্না কুন্মুক্কী ময়াদা শকচখ্রে।

সুরঃ ঈশৈ হায়বসি কদাইবু কৌই হায়না শন্দোক্লা তাকপা য়াবগে হায়বদু খংবা য়াগদ্র?

নতাঃ ঐনা তানশিঞ্জরুবা নোলেজগী মতুং ইন্না খংজবা খরদুদি হায়জগে। ঈশৈ শকপা হৈবা হৈতবা হায়বদুনা অমা ওইরগা নোংমতা ঈশৈ ঙংদ্রবা মীশক অদুদি মী অমা ওইনা পোকপগী নুঙাইবা হায়বদু খংদ্রবা মীশক অমনি হায়নরিবনি। ঈশৈ হায়বসিগী থাক য়াম্না ব্রাংই। ঈশৈ হায়বসিদি মীওইবগী পুন্সিদা চংদবা য়াদ্রবা, থাদোক্লবা য়াদ্রবা আর্ট অমনি হায়না শন্দোক্লা তাকপদা কাইদে হায়না থমজগে।

সুরঃ ঈশৈ হায়বা আর্ট অসিগা সমাজ অসিগা লৈনরিবা মরিসি করিনি হায়না ফোংদোকপা য়াবগে?

নতাসাঃ ঈশৈগা সমাজ অসিগা লৈনরিবা মরি অসি মীওইবগা ঈশৈগা লৈনরিবা মরি অসি হেন্না অসুক্কী মতিক থান্নবা য়াদ্রবা অমনি সমাজ অসিগী অফা-ফত্তা কয়াবুসু ঈশৈনা মীওইবগী থম্মোয় য়ৌনা পাউজেল পীবা ঙল্লি ,ঈশৈনা সমাজ অমবু মীমাংদা শক তাকপদা য়াম্না চাওবা থৌদাং লৌবা ঙল্লি।

সুরঃ অফবা আর্টিষ্ট অমা ওইবদা তঙাই ফদবা করি চংই হায়না খনবগে। হায়রিবা গুনশিং অদু নতাসাদদি চেল্লি হায়না খনব্রা?

নতাসাঃ ওইজবা থাদোক্তুনা মীয়ামগী সেবা তৌবা মতমদা কথোকপা অমগা লোয়ননা থবক তৌবা অমা চংই। খোঞ্জেল ফবগা আর্টিষ্ট অমনি হায়বদুদি চুমদব্রা হায়না খল্লি। অফবা আর্টিষ্ট হায়বসিদি মীয়ামদগী তোঙান্বা লমচৎতা হায়রে তমজনিংঙাই ওইহনবা, ব্রাঙাংদা হায়রে নুংশিহন্বা ঙম্বা, অফবা অচুম্বা লম্বীদা মীয়াম্না য়ানবা নুংশিনবা চৎপা ঙম্বা চংই। গুনশিং অসি ঐগী ওইনদি কন্না তানশিঞ্জরি।

সুরঃ নতাসাগী ইশৈবু তানিংবা ফ্রেন্দ কয়ানা করম্বা মতমদা নতাসা অমুক হন্না ষ্টেজদা থোক্লক্কদগে হায়বা ব্রাহংশিং অসিগী পাউখুমদি করম্না পীগদৌরিবগে?

নতাসাঃ ঐ ঈশৈবু থব্রায়মক্লি খন্না পামজে। অদুবু হৌজিক্তি মমা অমা হায়বদুসু ওইরবনিনা লৌগদৌবা থৌগায়দি য়ামশিল্লকই। অদুবু পীক্লিবা ঈচা অসিনা মমাগা থাদোক্লবা য়াদবা হায়বা মতাংদু ওইখিবনা মতম খরদি মীয়াম মরক্তগী লোন্না থুপ্লা লৈজখিগে। মীয়াম মরক্তা থোক্তুনা পুন্বা ফংদবসিদি ঐসু নুঙাইতে। ঐবু নুংশিবীবা ফ্রেন্দশিংনা ব্রারৌবীরোই। মীয়াম মরক্তা শোয়দনা অমুক তিঞ্জগে।

সুরঃ নতাসানা পামজনা চৎলিবা ঈশৈগী লম অসিদা পুন্সিগী খোঙবুরোই ওইবা মহাক অদুনা অমুক হন্না খোঙদাগে হায়বদা য়ারক্তুবদি করি তৌগদগে? ঈচা অদুবুনা তুংদা করি ওইহনগে হায়না খনবগে?

নতাঃ ঐগী ঈনেম-ঈকু অমদি ঈপুরোইবনা ঐগী অপাম পামদা ঙল্লিঙৈ মতমদগী খংলকখ্রে। মদুগী মথক্তা ঐবু পোকপা পাবুংগী অপান্বা করিনো হায়বা খংনরবা মতুংদা য়ুন্বাল লম্বীদা খোঙদারকখিবনি। মরম অদুনা ঐগী পুন্সিদগী আর্ট অসি থাদোকউ হায়বগী মহুত্তা হেন্নদুম ব্রাখল লৌশিং পীবীদুনা লাক্লি। ঈপুরোইবনা ঈশৈ শকপা য়াদে কায়না হায়রক্লদি অঙাংসি মঙোন্দা শিন্নরগা মমাংদা ফম্লগা শকপা হায়বদুনি। ঐ অঙাং অসি অপান্বদা পুশিন্বা পামদবদি নত্তে অদুবু ঐনা পামই হায়দুনা অঙাং অসিগী অপাম পামদা খংদনা পুশিন্বদি পুশিল্লোই । মহাক্লা পামজবা লম্বী অদুনা অফবা ওইরগদি মমা অমা ওইনা ঙল্লিবা মখে হোৎনদুনা মী অমা ওইনবা মমা অমা ওইবগী থৌদাং অদু লৌগনি।



সুরঃ মণিপুরগী লৈহাও অসিদা শৈশকপী অমা ওইনা পোক্লম্বসিদা করি অপাম পামদা লৈবগে? ঈশৈ শকপা মতমদা খ্বাইদগী নুঙাইখিদবসি করি ওইখিবগে?

নতাঃ ম্যুজিক হায়বসিদি কাচিন য়ৌনা খোম্হোং পীবা ঙম্বা তাংলবা কলা অমনি হায়না লৌজে, অদুবু লাইবক থীবদি চাওখৎলে হায়রিবা মতম অসিদা হিংমিন্নরিবশিং অসি মী অমনা মী অমবু ইকাই খুম্নবা ব্রাৎলি হায়বসি শেল খরা পায়বা কাংবুনা আর্টিষ্টপু শেলনা লৈরগা শিজিন্নগনি খন্নবসিনা তাক্লি। মখোয়বু শৌগৎপা আর্টিষ্ট লৈতবা নত্তে হায়নিংই, ঙসিগী ওইরিবা ফিবম অসিনা । মখোয় খরনা আর্টিষ্টশিংবু লোয়না চেম্হহল্লিবনি। আর্ট তৌজরিবা আর্টিষ্টশিং মপাল লমদদি থাক য়াম্না ব্রাংই। লমদম অসিদদি হৈবোং মনুংগী তিনগুম ওইরি হায়বসিদা হায়মন্বা থোক্লোই হায়না খল্লি।

সুরঃ লুহোংলবা মতুং ঈশৈগা লাপথোক্লবা মরক অসিদা ষ্টেজথক্তা শকমিন্নরম্বা কয়ানা ষ্টেজ থক্তা ঈশৈ শকপা উবদা ইশাদা করি ফাওবগে ?

নতাঃ লৈকাইগী তৌবা ঈশৈগী মখোল তাবদা পুক্লিং নুংশিনা কনা খংহন্দনা কপ্পী, ঈপুরোইবনা ঈশৈ অসি তারগা শক্লিংব্রা হায়বদা থম্মোয়দদি য়াম্না শক্লিংলগা শক্লিংদে হায়জিল্লি।

সুরঃ লৈবাক্কী ওইবরোমদা খরা খজিক্তং থৈজিন্দুনা ... জুন ১৮ না লাকপসিদা ইশাদা করি ফাওবগে?


নতাঃ জুন ১৮ হায়বসি হৌজিক্তি লমদম অসিগী কাওবা ঙম্লরোইদবা নুমিৎ অমা হায়বদু ওইরি। নুমিৎ অসি লাকপদা হৌখিবা থৌদোকশিং অদু নিংশিদুনা থম্মোয়দা পেন্দবা অমদি অদুম্মক ফাওই। থৌদোকশিং অদু ইমাংদা অমুক হন্না লেপ্লব্রা হায়বা ফাওবা খল্লকই।


সুরঃ ইরোম চনু শর্মিলানা চংশিল্লিবা খোঙজং অসি ঙসি ফাওবদা পান্দম ফংবা ঙমদ্রিবা অসিদা করি মত লৈবগে?

নতাঃ ইচে ইরোম চনু শর্ম্মিলানা চংশিল্লিবা খোঙজং অসি অচুম্বা খোঙজং অমনি হায়বসি লৈবাক মীয়াম্না য়ান্নরবা ব্রাফমনি, ইরমদম অসিগী য়াইফন্নবনি হায়বসিসু ঐনা হায়রুদ্রবসু মীয়াম্না খংনবা ঙাক্তনি। মসিদা খোঙজং অসিগী পান্দম ফংবা ঙমদ্রিবা অসি সরকারগী ওইবা করিগুম্বা প্রোব্লেম্বুদি লৈরম্বা য়াই অদুবু মখোয়গী ওইবা প্রোব্লেম্বুদি লৈবাক্কী ওইবা প্রোব্লেমনা হেন্না লুই হায়বসি খংনা মপী মপা ওইবগী তৌফম থোকপা থবক অদুদি পম্বা লৈতনা তৌহন্নিংই।

সুরঃ ব্রারিসু নুঙাইরি মতম্না কনাবু ঙাইবীদবনা ব্রারি নুঙাইরিঙৈ মতম হৌখিবা খংহৌদরে। নতাসানা লমদম অসিগী মীয়াম অমদি লমদম অসিবু থম্মোয়শেংনা নুংশিজবগী নুংগী ওইবা থম্মোয় অদুবু অরোইবা ওইনা থাগৎপা ফোংদোকচরি।

নতাসাঃ দা সুর অমদি পাউচে অসিবু নতাসানা থাগৎচরি।










Printed and Published by Wa gh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Ir l, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*